থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ২০০৮গী ইকনমিক ক্রাইসিস নীংশিংলুবা



২০০৭-৮ অদুৱাইদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদই চাউবা শেল-থুমগী ৱাথোক অমনি হায়না শিংথানবা থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক অদুবু গ্লোবেল মেল্ট-দাউন হায়নসু খঙনৈ। ১৯৩০গী মতম অদুৱাইদা থোকখিবা ইকনমিক ক্রাইসিস (দি গ্রেদ রিসেসন) অদুদগী হেন্না শাথিবা ইকনমিক ক্রাইসিস অমনি হায়না মালেম পূম্বনা লৌনখিবা থৌদোক অমনি। অমেরিকাদগী হৌখিবা শেল-থুমগী শাথিরবা ৱাথোক অসিগী চেইন-ইফেক্ট (মতুং তারকপা চৈথেং) ওইনা মালেমগী লৈপাক কয়াদা ফংনখিবদু ইন্দিয়ন ইকোনোমিদদি থোইদোক্লা খাঙ'ঙমদবা অকনবা চৈথেং অমা পীবা ঙমখিদবগী মরম, ইকোনোমিষ্টশিংনা হায়বদা, ইন্দিয়ন বেঙ্কিং ইন্দষ্ট্রিগী অয়াম্বা শরুক্না নেসনেলাইজ সেক্তরদা লৈরম্বা (গভর্ণমেন্ট'না মপূ ওইবা বেঙ্কশিংনা মশীং হেল্লম্বা) অদুননি হায়বসি অতোপ্পা লৈপাকশিংনসু য়ানীংখি। ১৯৯১দগী ইন্দিয়ন ইকোনোমি'না অনৌবা মপোক অমা পোকখিবা, ন্যু ইকনমিক পোলিসি চৎনবা হৌখিঙৈদগী লমদমসিদা লৈঙাক পায়রকখিবা পার্টি খুদিংমক্না, ৱর্ল্ড বেঙ্ক অমদি ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দ'গী অকনবা প্রেসর ইন্দুনা ইন্দিয়াগী বেঙ্কশিংবু নেসনেলাইজ সেক্তরদগী প্রাইবেট সেক্তরদা ওন্থোকপদা মায় পাক্লল্লবা, ইন্দিয়াসু ক্রাইসিস অদুগী অঙকপা চৈথেং মায়োক্নরমগনি, লৈখা তানা লুপ্লমগনি, অমুক হৌগৎলকপা অৱাবা অমা ওইরমগনি। ইন্দিয়ন বেঙ্কিং ইন্দষ্ট্রিদা ত্রেদ য়ুনিয়নগী অকনবা য়ূম্ফম লৈরমগদ্রা, বেঙ্ক নেসনেলাইজেসন এক্ট, নহান্না মমিং মূৎলম্লনি, প্রাইবেট বেঙ্ক'না মহুৎ শিন, গ্লোবেল ইকনমিক মেল্ট-দাউন'দা মহী চেনখিবা ইন্দিয়ন ইকোনোমি অমুক ফমজিন্নবা হোৎনবদা মতম কয়া চঙলম'নি। কনানা খঙবা, কোর্পোরেট সেক্তর'না শৌগত্তুনা শেল্লকপা মোদি কৌবা লৈঙাকসি থোরক্লমদবসু য়ারিবনি। মহাক্না ঙসি তাশিনখ্রিবা শক্তিশিংসু মমি ফাওবা তল্লমদবা য়াই।

সেপ্টেম্বর থা লাকপসিদা নীংশিংদবা ঙমদা নীংশিংলকপনি - চহী তরাগী মমাঙদা মশীং থিঙমদ্রবা ইন্দিয়াগী লাইরিক হৈরবা নহাশিং, অচৌবা মঙ পুদুনা অমেরিকা অমদি নোংচুপলোমগী লৈপাকশিংদা মঙ লল্লোনবা চৎখিবশিং, মপোৎ-মচৈ, মফি-মরোল য়োমদুনা ময়ূম লমদমদা হল্লকখিবশিং। ময়ূম লমদম, মমা-লৈপাক অসিগী হুরান পূকচেল চেনবা, মরমচৎ চুমদবা, মমা-লৈপাক য়োন্দুনা চাবা লৈঙাকপশিংনা নরক-ওন্থোক্লবা লমদমসিদা মশাগী তুংলমচৎ উবা ঙমদ্রদুনা মীরমদা মরায়বক য়েংবা চৎনখিবা - ঙসি ঙরাংতদা হৌরকখিবা নত্তে। ইন্দিয়ন অমনি হায়বদা চাউথোকচবা ঙমদ্রবা ইন্দিয়নশিং (মণিপুরদগীসু য়াওনা) 'অমেরিকাদা লৈ' হায়বতদা, করি তৌরি তাক্লুদ্রসু, চাউথোকচবা পোকপা মী - লৈ মশীং খঙদনা। অদুগুম্বা মশীং খঙদ্রবা ইন্দিয়নশিং-হল্লকখি ময়ূম খুঙ্গংদা, মথক্তা অতিয়া পূম্বা কিন্থরবগুম পুঙমদ্রবা পোৎলুম পুদুনা।

ইন্দিয়াদদি ৱাথোক্তুগী অকনবা চৈথেং মকোক্তুদা তাখিদনবা, লায়রবনা মশীং হেনবা ইন্দিয়নশিং, লায়রজরবসু মশাবু লায়রবনি হায়নীংদবা ঐহাক্কুম্বা মিদল-ক্লাস মেন্তালিটিরোমদা কা হেন্না নকশিনখ্রবা লায়রবশিংসি য়াওনা ৱাথোক অদু করিনো? করম থোকখিবনো? কনানসু নৈনখিদে। খনখি-নৈনরুবগী কান্নবসু লৈতে। লাইরিক হৈবা ইকোনোমিষ্টশিংদি খঙই। খঙলিবদুসু শুপ্নতগী ইকোনোমিক্স-ষ্টুদেন্টশিংগী ক্লাসরুমদা তাক্লনবা! চৈথেং অদু মায়োক্নরক্কদবশিংদুবু খঙহন্নবা নত্তবা! মরুওইরিবদি ঐখোয়গুম্বা ময়াম্বু খঙহনবদুনি।

ঙসিদি ঐ চপ চানা থাজবা পোক্লে পূক্নিংসিদা - ইন্দিয়াদসু অদুগুম্বা নুমিৎ অদো পংকুই কুইদনা থুংলরগনি। মরম? ঙসিগী পোলিটিসিয়নশিং, পোলিটিসিয়নশিংগী মকোক্তুবু থমায়রিবা ব্যুরোক্রেটশিং - অমেরিকা অমদি নোংচুপলোমগী লৈপাকশিংদা মায় পাকখিদ্রবা (ফেল ওইখ্রবা) ইকোনোমিক মোদেল অমদি পোলিসিশিংদা থাজজবা ঙাক্তনি। ঙসিসু থাজরি- ইন্দিয়ন বেঙ্কিং ইন্দষ্ট্রি, মপূম ফানা ময়েক শেংনা প্রাইবেটাইজ তৌদুনা, লন্নাই শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংদা শিন্নথোকখ্রবা তুংদতা ইন্দিয়নশিংনা মালেমগী কৈথেলদা মায়রোং য়াবা ঙমগনি।

কয়াদা তায়োন্নবা ৱাখলনো য়েংবীয়ু। অচৌ অচৌবা লৈপাকশিংদা, ২০০৮গী মতুংদা প্রাইবেট বেঙ্কশিং লেপ্পা লৈতা মূৎশিল্লক্লগা ইন্দিয়াদনা, লৈঙাক্কী থৌশিল তুংইন্না, প্রাইবেট বেঙ্ক মথং মথং হাংদোরক্লি। লেহমেন'স ব্রদর্স হায়না খঙনবা, অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাউবা মরিশুবা বেঙ্ক'নি হায়না খঙনরম্বা, ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্ক (মতমদুদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬০০ হেন্না লৈ থাজনরম্বা) অদুনা সেপ্টেম্বর ১৫, ২০০৮দা বেঙ্ক্রপ্ত ওইদুনা মূৎখিবদগী, মথং মথং, লন্নাই মীওই, প্রাইবেট ফার্ম অমদি কম্পেনিশিং, অমেরিকাগী মনুং অমসুং মপান্দা লৈবা মমিং লৈরবা বেঙ্কশিংসু য়াওন অমগী মথংদা অমা, তপ্পা তপ্পা মূৎশিল্লকখি। লৈঙাক্ল দি কৈদৌনুংদা হায়রক্লরোইদবা অচুম্বা ৱাফম অমত্তং খঙমীন্নসি। লেহমেন'স বেঙ্ক মূৎখ্রবা মতুংদা অমেরিকা খক্তদা ফেল ওইদুনা মূৎখিবা প্রাইবেট বেঙ্ক মশীং অমুক্তং নীংশিংজরমগে। বেঙ্কশিংদুগী মমিংদি লামায়সিদা চল্লরোই, তেনশিনজরগে। ২০০৮, চহীদুমক্তদা অতোপ্পা বেঙ্ক ২৫ অমসু থিংজিনখি। ২০০৯দনা বেঙ্ক ১৪০ মূথুৎখি। মথং মথং, মতুং তারকপা চহীশিংদা থিংজিনখিবা বেঙ্ক মশীং, মথংশিংনা - ২০১০দা বেঙ্ক ১৫৭; ২০১১দা বেঙ্ক ৯২; ২০১২দা বেঙ্ক ৫১; ২০১৩দা বেঙ্ক ২৪; ২০১৪দা বেঙ্ক ১৮; ২০১৫দা বেঙ্ক ৮; ২০১৬তা বেঙ্ক ৫ অমদি ২০১৭তা বেঙ্ক ৮ - হৌখিবা চহী তরাসিদা অমেরিকাদা ফেল ওইখিবা প্রাইবেট বেঙ্ক ৫২৮নি। অনৌবা বেঙ্ক অমা ফাওবা লীংখৎখিদে। অসুম্না ফেল ওইরকখিবা বেঙ্ক নত্তবা অতোপ্পা প্রাইবেট ফার্ম কয়াদগীদুগা থারগা, অমেরিকাদগী মখূৎ হাম্লগা হল্লকখিবা ইন্দিয়ন মশীং লাক্ষ মঙারোমনি পানখি। অমেরিকাদগী য়ৈরকপা ঈথক্লা, য়ুরোপিয়ন ইকোনোমিদা কয়ামুক কনবা চৈথেং অমা পীখিবনো হায়ববু 'ব্রিটেন' য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন'দগী মপান থোক্লবা ৱারেপ লৌবা তাখিবনি (থৌওংদুবুনি ব্রেক্সিৎ হায়না খঙনরিবা ঙসি)। য়ু এসকী সিনেট অনী 'লেভেন অমদি কোবর্ন' গী রিপোর্ট অদুদা পল্লিবা ৱারোলশিং অদু কূপ্না নৈনরুরবা, ইন্দিয়ন বেঙ্কিং সিনারিও 'সিমসু কূপ্না য়েংশিল্লুরবা, ইন্দিয়াগী অচৌবা সহরশিংদা চাউথোরক্লিবা রিঅল-ইষ্টেট-বিজিনেস 'সিমগা মীৎয়েং থল্লবা-থাজবীয়ু-ইন্দিয়াদসু অচৌবা ইকনমিক ক্রাইসিস অমা থোক্কদবা কুইদ্রবনি। পাম্বৈ লৈতে, মদু থোকপা ঙাইরসি।

লৌশিং পুক্রে

# লুনা তীন্নবা মরুপ-মপাং থম্বগী কান্নবা



অৱা-নুংঙাই তাথোক-তাশিন তৌবা য়াবা লুনা তীন্নবা মরুপ-মপাং থম্বনা অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈহল্লি হায়বা খঙলে।

চিকাগোদা লৈবা নোর্থৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটি ফিনবর্গ স্কুল ওফ মেদিসিনগী কোগনিটিভ ন্যুরোলোজি এন্দ অলঝাইমর'স দিজিজ সেন্টর (সী এন এ দি সী) না চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, পূক্নিংগী অরোন-অথুপ পুম্নমক লীথোকপা য়াবা মরুপ-মপাং থম্বগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ।

লেবোরেটরি ওফ রোগালস্কিদা ক্লিনিকেল ন্যুরোসাইকোলোজিষ্ট ওইবা অমন্দা কুক, সী এন এ দি সীগী এসোসিয়েট প্রোফেসার এমিলি রোগালস্কি অমসুং সেন্দ্রা ৱিন্ট্রাবনা মশাগী চহী ৮০ শুরবা অদুবু চহী ৫০/৬০ শুবদা ঙায়রিবা মীগী মতৌগুম ৱাখল খনবা ঙম্বা মীওইশিংদা ষ্টদি অমা চথরম্মী।

মশাগী চহী ৮০ শুরবা মীওইশিং অদু তোঙান তোঙানবা ৱাহং কয়া হংদুনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই চাংয়েং তৌবদা শুপ্নগী চহী ৫০/৬০ শুবদা ঙায়রিবা মীওইশিংগা চপ মান্নবা মওংদা ৱাখল খনবা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি। হিরম অসিগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনবদা নক্লবা মরুপ-মপাং থম্বা অমসুং অয়াম্বা মতমদা মীরক তীনবা হায়বসি চহী য়াম্লবা মীওইশিংগীদমক্তদি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি হায়বা খঙলকখি।

মীওইবা খুদিংমক অমত্তা মান্নদে। কনাগুম্বা মীওই খরদি মীয়ায় চল্লকপদা ঙায়রিঙৈদা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই মাঙখিবা অমসুং হকচাং শোঞ্জিল্লকপা য়াওই। কনাগুম্বা খরদি চহী ফনা য়াম্লবসু নহা অমগুম ৱাখল খনবা ঙম্বা অমসুং পাঙ্গল কনবা য়াওদবা নত্তে। পুম্নমক অসি মীওইবগী পুন্সি মহিংনা ওইহল্লকপনি।

অয়াম্বা মতমদা নাইতোম ৱাখল খন্দুনা লৈবগী মহুত্তা মীরক তীন্দুনা খুন্নাইগী থবক থৌরমদা শরুক য়াবা অমসুং নক্লবা মরুপ-মপাং লোয়নবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। মীরক তীল্লিবনি হায়দুনা নুমীৎ চুপ্পা কোয়দুনা লৈগদবা নত্তে। ইশা ইশানা ঙম্বা ইমুংগী থবক মচা-মশু খরা নোম্লগা নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক মরুপ-মপাংগা ৱারী শাগদবনি হায়রি।

মতম চুপ্পা মীরক তীন্দুনতা লৈবা মীওই খুদিংমক অলঝাইমর'স দিজিজগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরোই হায়বা লৈতে। ইচম চম্বা ৱাহৈদা পেং চোইবা হায়না খঙনবা লায়না অসি ওইহল্লকপগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। অদুম ওইনমক অৱা নুংঙাই ৱারী শানবা য়াবা নক্লবা মরুপ-মপাংগা তোয়না লোয়নরবদি খুদোংচাদবা অসি খরমখৈ হন্থহনবা ঙম্মী।

অমরোমদা, "জর্নেল ওফ এক্সপরিমেন্টেল মেদিসিন" দা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, শরদগী পুথোরকপা হোর্মোন অমনা মরম ওইরগা মীওইবদা ৱাখল খনবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙহন্দে। ন্যু য়োর্কতা লৈবা কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল সেন্টরগী দিপার্টমেন্ট ওফ জেনেটিক্স এন্দ দিভলপমেন্টতা প্রোফেসার ওইবা পোল মার্ক্সনা উচিদা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, ওষ্টিওক্লাষ্ট কৌবা শরদ্গী সেলশিংদগী পুথোরকপা হোর্মোন (ওষ্টিওকেলসিন) না মীওইবগী মেটাবোলিক ফঙ্কসনদা চাউনা মতেং পাংই। হায়রিবা হোর্মোন অসিনা অনৌবা ন্যুরোন কয়া শেমগৎলকপগা লোয়ননা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেনগৎহল্লি।

জর্মনিদা লৈবা সেন্টর ফোর ন্যুরোদিজেনরেটিভ দিজিজেজগী ডা. কেট্রিন রেফিল্ডনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না মীওইবগী ব্রেনদা অহোংবা কয়া লাকই। ব্রেনীগী টিস্যু হন্থরকপগা লোয়ননা ব্রেনদা মপুং ফানা ঈ য়ৌবা ঙল্লক্তে অমসুং ব্রেন সেলশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনবা ৱাৎলকই। মসিনা মরম ওইরগা ৱাখল খনবগী মওং হোংলকই অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকই।

"ফ্রন্টিয়রস ইন হ্যুমেন ন্যুরোসাইন্স" জর্নেলদা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা মীওইশিংনা নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙদে। কা হেন্না ৱাবা মওংদা হকচাং শাজেল তৌরুদ্রগসু নোংমগী ঙাইহাক জগোই শারবসু য়াম্না চাওনা কান্নবা ফংই।

মশাগী চহী ৬৩ অমসুং ৮০ গী মনুংদা লৈবা মীওই ৫২ দা থা ১৮ চুপ্পা চথখিবা ষ্টদি অমদা ৱাফম অসি খঙবা ঙমখিবনি। মীওইশিং অদু থা ১৮ চুপ্পা নুমীৎ খুদিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক জগোই শাহল্লগা মেগনেটিক রেসোনেন্স ইমেজিং (এম আর আই) লৌরগা য়েংবদা ব্রেনগী হিপোকেম্পস চাউখৎলকপা থেংনখি। মীওইবনা তম্বা, নীংশিংবা অমসুং অৱা নুংঙাই ফোঙদোকপা পুম্নমক হিপোকেম্পসকা মরী লৈনৈ।

চাং নাইনা জগোই শাবনা অলঝাইমর'স দিজিজ অমসুং অতৈ ন্যুরোদিজেনরেটিভ দিসওর্দরশিং মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙম্বরা হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা রিছার্সরশিংনা থিজিনবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক লুনা তীন্নবা মরুপ মপাং থমদুনা অৱা নুংঙাই ৱারী শাবা মতমদা পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈহল্লি হায়বদি ময়েক শেংনা খঙলে হায়রি।

# হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৭৯, স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৭৮ গী ৱিন্নরশিংদা মনা পীখ্রে



লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৭৯ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা প্রিনজু ওইনাম



স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৭৮ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৬ঃ

*হুইয়েন লানপাউ* গী লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৭৯ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা প্রিনজু ওইনাম অমদি স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৭৮ কী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্না ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা খুদোল তম্বগী থৌরম ঙসি সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা পাউচে অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৭৯ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা প্রিনজু ওইনাম (২৫) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চান্দপুরদা লৈবা ওইনাম ইরাবোত অমদি ওইনাম ওংবী মাঙ্গোলঙানবী অনীগী মচানুপানি। মহাক্না মনা অসি ফংবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা হায়খিবদা, লিটরেরি ক্যুইজগী মনা ফংবা অসি অরাইবদি ওইদে। লিটরেরিগী মচাক ফংনবা থিবদা লাইরিক খরদি পাবা চংই। মহাক হৌজিক হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম কোম তমলি। অহাংবা মতমদা পাউচে অসি চাং নাইনা পায়। নোংমগী পাউচে পাহৌদবা অমদি ঈ-পাউ তাহৌদ্রবদি হকচাং অসি ইপং পংশিল্লি। মহাক শান্ন-খোৎনবগী লমদা ফুটবোল শান্নবা অসি য়াম্না পাম্মী হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়গী লৈকায়দা অনা লায়েংশঙ অমত্তা লৈতবনা মোইরাংদা ওইনা চৎলগা লায়েংই। মখোয়গী অকোয়বদা লৈবা লম্বীসু কোয়লাস থাখিবা চহী ফাদ্রিঙৈদা অয়াম্বা কায়রে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

এদ্যুকেসনগী লমদসু মখোয়গী লৈকায়দা হায়র ষ্টদি তৌফম লৈতবনা অতোপ্পা লমদা চৎলগা লাইরিক তম্মী হায়রি।

অমরোমদা, স্পোর্টস ক্যুইজগী মনা ফংখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম (৫০) নোংমৈবুং সেরাম লৈরক্তা লৈবনি। মহাক খুঞ্জাময়ুম ওংবী ইতোবী অমদি লৈখিদ্রবা মনিচান্দগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমীদা এদমিনিষ্ট্রেসনগী ষ্টাফ ওইনা লৈবনি হায়রি। মহাক পাউচেশিং চাং নাইনা পায়। পাউচেশিংদা য়াওরিবা মরু ওইনা স্পোর্টসকী ঈ-পাউসু চাং নাইনা পায় হায়রি। নোংমৈবুং সেরাম লৈরক অসি কোয়লাস থাদনা লৈরকপা চহী অনী ফারে। লম্বী ফত্তবা অসিনা মীয়াম চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে। লৈকায় অসিদা ইলেক্ট্রিকসু চাং নাইনা লাক্তে। থক্লবা ঈশিংসু ফঙদবনা মীয়াম্না লৈদুনা শীজিন্নরি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ঈশিংগী অৱাবসি কোকহনবীনবা আপিল তৌরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা, অয়াংপল্লি রোদতা পুরিবা পাইপ লাইন অসিদগী নোংমৈবুং চকপ্রম লৈরক্তা অচৌবা টোটি পাইপ অমা লৈঙাক্লা পুবীরগদি মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা অসি খরগীমখৈদি শাফগনি হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহল্লবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওনথোকপীরক্ত্রি হায়রি।

# য়ুম্নাম পাৎলৌদা শারিবা থোং লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু: হেমজিৎ



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইম্ফাল সাইকুল রোদকী য়ুম্নাম পাৎলৌদা নৌনা থোং শারিবা অসিদা হান্নগী থোংগী পিল্লরদা য়োমশিল্লিবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীনবা পীপল পীছ দিভলপমেন্ট কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিগী সেক্রেটরি থৌদাম হেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুম্নাম পাৎলৌদা ঙরাং পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, ইন্টর ষ্টেটকী য়াম্না মরু ওইবা লম্বী, ইম্ফাল সাইকুল রোদকী থোং অসি শানবা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ গী এপ্রিল ১৪ দা মতমদুগী লৈঙাক্লা ৱার্ক ওর্দর থোকখি। অদুবু ৱার্ক ওর্দর পায়রিবা কন্ট্রেক্তর অদুনা মতম শাংনা থোং অসি শাবীদনা লৈবদগী য়ুম্নাম পাৎলৌগী থোং অসি খুবনা মরম ওইদুনা মীওই অহুম এক্সিদেন্ট থোক্তুনা লৈখিদ্রে। মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না পি দি সীনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ৱাকৎতুনা থোং অসি অথুবা মতমদা শাবীনবা তকশিনখি। মদুগী মতুংদা ৱার্ক ওর্দর পায়রিবা কন্ট্রেক্তর অসিনা থা অমগী মমাংদগী নাক য়েৎতা পিল্লর হৈগৎতুনা শাবা হৌখি।

ফুট ৪০ পাকপা, ফুট ২০ শাংবা থোং অসি হান্নগী পিল্লরদা থোমজিনবগী মহুত্তা নৌনা শানবা হোৎনদ্রবদি পি দি সীনা চয়োল অমগী মনুংদা ইম্ফাল সাইকুল রোদ অসি বন্দ য়াওনা অকনবা খোঙজং চত্থরগনি। থোং অসি শাবদা কন্ট্রেক্তরগী অপাম্বা মওংদা শারব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়রি।


মণিপুর ট্রেডিসনেল ফেষ্টিভেল ২০১৮
MANIPUR TRADITIONAL FESTIVAL 2018
1st October, 2018 - 10th October 2018
Venue : Trade & Expo Centre, Lamboikhongnangkhong
Motto : Unity to bring through Culture in Hill & Valley
To preserve the traditional culture of Manipur.
PROGRAMME
- Beauty Contest
- Fashion Show
- Threatre Festival
- Selfie Queen Contest
- Indigenous Games & Sports
Eshita Yengkhom
Actress
Manipur Film Industry
Brand Ambassador
Form available @
Time Star Artiste Union, Gov. Rd.
IMAA, near AIR, Imphal
MBC Book Centre, Chingmeirong
For stalls & other querries :
7629858544 / 9612111096
HL-P/5363/13/9-11/10(4)



2ND STATE LEVEL TALENT SEARCH
SCHOLARSHIP COMPETITIVE EXAM 2018 (CLASS I TO X CLASSWISE)
ORGANISED BY: EDUCITY
Sagolband Tera Tongbram Leikai Near Oriental College Imphal-795001

PRIZE:
1st/2nd/3rd Position holdr of each Class will be awarded with scholarship.
1st Position - 1000 x 12 months + Certificate
2nd Position - 700 x 12 months + Certificate
3rd Position - 500 x 12 months + Certificate
4th to 10th Position - Special Gift + Certificate
Subject Toppers (4 Subject Separately) 1000 each + Certificate

Submission Fee Rs. 300/-
Last Date of Submission: 23rd October
Class I to V Sub : Math, Eng, Sc.
Class VI to X Sub : Math, Eng, Sc, S.Sc.
Date of Exam: 28th October (Sunday)
Timing : 8:30 to 10:30 (I-X)

| Class I - V | F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 30 | 15 |
| Science | 30 | 15 |

| Class VI - X | F.M. | P.M. |
|---|---|---|
| Math | 40 | 20 |
| English | 20 | 10 |
| Science | 20 | 10 |
| S.Science | 20 | 10 |

* Forms are available at all the leading book stores and schools of Manipur.
Please Contact: 9612194500 / 8794386523
HL-P/3633/14/9-15/10





HL-B/4808/22/8-21/9